

নেসনল থিয়েতর ফেস্তিবেল, ২০১৬

# বেঙ্গলি ঠিএটরগী মচু মমেন পুবা লীলা জাদুবংসো
## মণিপুরী ঠিএটরগা নক্লবা মরী উৎলিবা বেঙ্গলি লীলা অমা

**হুইয়েন ইন্দু**



ফোতো কর্সি : আর সি মঙাঙচা



*কুমজা ১৯৩৮, দিসেম্বর ২২ দা পোকখিবা 'মনোজ মিত্র' - ১৯৫৮ দা স্কোত্তিস চর্চ কোলেজদগী ফিলোসোফিদ গ্রেজুএট ওইরকখি। নৌরিঙৈদা ৱারীমচা ইরম্বদু মহাক্না এম এ লোইরবা মতুংদদি ঠিএটরদা খোঙ থাংজিল্লকখি। রানিগঞ্জ কোলেজদা ওজা ওইরল্লগা বিশ্ব ভারতি য়ুনিভর্সিটিদা দ্রামা দিপার্টমেন্টকী মকোকসু ওইরম্মী। শক্লাইবা বেঙ্গলি দ্রামা ইবা অসিনা দ্রামা চাম্মা হেন্না ইখ্রে। মণিপুরী ঠিএটরদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরিবা 'হনুবৈ হৈকোল' - মনোজ মিত্র'না ইবনি, রতন থিয়াম'না হন্দোকপনি।*

*কুমজা ১৯৫৮ দা সঙ্গীৎ নাটক একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট প্লেরাইটিং, ১৯৮৬ তা কলকত্তা য়ুনিভর্সিটি এৱার্দ ফোর বেষ্ট প্লেরাইট, ২০০০ দা কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী বেঙ্গলি ষ্টেজ সেন্টিনেরি এৱার্দ, ২০০৫ দা এসিয়াটিক সোসাইটি গোল্ড মেদল, ২০১১ দা বাঙ্গলাদেশ ঠিএটর সোসাইটিগী মুনির চৌধুরি এৱার্দ, দিনবন্ধু পুরস্কার (২০১২) অমদি কলিঙ্গ য়ুনিভর্সিটিনা পীবা ডোক্তর ওফ লিটরেচর (২০১৩) মহাক্না ফংখিবা পনবা য়ানবা ঈকাইখুম্নবা এৱার্দশিংনি।*

*কুমজা ১৯৫১/ তাইবঙ শকখঙনরকপদা ঙায়রিবা/নাৱা অমা ওইরম্মী/ 'লৈবাকসিগী নীংতম্বা'।/ নাকপাক-নাকপাক তানবা/ খাংঙমদ্রবা চৈনা-চৈথেঙ/ ঈখেঙনা ঈচেলগুম চেন্থবা/তাইশিন্নবা ঙমদনা থম্মোয় মচেৎ তানবা/কাঙলুপ মশেল শেত্তোক্লবা/থৌরবা থাঙশাং অমনা শরুক অহুম থোক্লা খায়দোকখ্রবা/লৈপাকসিগী লৈমায়গী শক্তম.../ থামম্বা অহিং অমদা/অপোকপা অনীনা হুন্দোপীরল্লবা/অঙাং অমগী থম্মোয় শোক্লবা মীকপখোনগুম/ 'নীংতম্ব'না তেংথারি।*

অতাবা খুদিংমক্কী থম্মোয় কাচিন য়ৌনা শোকপা ঙম্বা খোঞ্জেলদা, ফজরবা শৈরেং অসিনা শৈহৌবা কোলকাতাগী 'সুন্দরম গ্রুপ'না শান্নবা বঙ্গালগী শক্লাইরবা লীলা ইবা অমদি দিরেক্টর মনোজ মিত্রগী লীলা জাদুবংসো (হিংবগী মীত্রং), ইম্ফালগী কোরস রিপর্টরি ঠিএটরগী শ্রাইন প্লেহাউসতা চত্থরিবা নেসনেল ঠিএটর ফেষ্টিবেল, ২০১৬ অসিগী মরিশুবা লীলা ওইনা মার্চ ৯, ২০১৬ নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ দা উৎখ্রে। পুং ২ গা মিনিট ২০ শাংবা, নোংচুপ বেঙ্গলগী মোদর্ন ঠিএটরগী চপ চাবা শক্লোন অমা পুরিবা লীলা অসিনা মণিপুরী মোদর্ন ঠিএটরগা বঙ্গালি ঠিএটরগা কয়াম নক্লবা মরী লৈনবগে হায়বদু উৎলম্লে।

বঙ্গালি লোন খঙবা মীশক, অয়েংবশিংগী মরক্তা খরা য়াওবদুনা লীলা অদুগী মহাউ চপ চানা লৌবা ঙম্লবসু, অয়াম্বনা খঙদবা ওইবনা ৱাখলনা শাগৎপা ৱারীগী মশক অদু অইবনা ফোঙদোক্লিংলিবা অদু য়ৌনা উরম্লোই। উৎলিবা লীলাগী মওং অমদি এক্টরশিংনা তৌরিবা এক্টিং ষ্টাইল, রিয়েলিষ্টিক হায়না খঙনবা লীলাগী মচৎ অদু ওইবনা লোন খঙদবা অয়েংবা অমদদি চপ চাবা লীলাগী মহাউ অদু ফংবা ঙম্লোই। অদুবু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা এক্টরশিংগী শরকশিবা নাইদনা, মশাগী মথৌ মশক খঙনা তৌরকপা এক্টিংনা অয়েংবশিংবু শাংলবা মতম অদু মীৎ-না চোইহন্দনা থম্বা ঙমখিবা অদুনা লীলা অসিগী মায় পাকপগী চাং অদু তাক্লবনি।

লীলা অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং, ইন্দিয়া'না নীংতম্বা ফংবদা ঙায়রিঙৈ, মতম কুইনা অমত্তা ওইনা লৈরম্বা বেঙ্গোল- নোংপোক অমসুং নোংচুপ বঙ্গাল হায়দুনা অনী থোক্লকপা, ইন্দিয়াগী লৈমায়বু শরুক অহুম থোক্না খায়দোরকপদা মতমদুগী বেঙ্গোলি খুন্নাইদা থোকখিবা থম্মোয় শোকপা থৌদোকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপনি। নীংতম্বা নুমীৎতা লুহোংখিবা মোধুসুদন অমদি অয়েসা অনীগী অহানবা ফংজবা অঙাং অদু নীংতম্বা হেক ফংবা মতুং নাকল অনীমক্তা তুক্কচ্চবগী ঈপোমনা পাক্না শান্না শন্দোরল্লবা মতমদুদা চেল্লিবা ত্রেন অমগী মনুংদা পোকখি। মীরৈবাক ওইখ্রবা লমদুদা মপুরোইবা কায়নখি, মরৈবাক ওইরবা লমসিদনা মচাদুগা শেৎনখি। মশানা লঙশিনখিদবা মরাল অমগীদমক কৈশুমশঙদা ফাদোক তারুরবা, হৌজিক্না নোংচুপ বঙ্গালদা মীচেন ওইন লৈরিবা 'সোনাই'না খাউ অমগী মনুংদা অঙাং অদু লোৎশিন দুনা, অঙাংদুগী অনৌবা মমা মপা ওইনা নাউয়োকপীগদবা ইমুং অমা থিরকই। য়ুম্বান পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক লোইখ্রবা জাদুগোপাল অমদি নন্দারানী, অনীগী ইমুংদু মচাগী ঈকং থোক্লম্মী। উলল্লোনবা, মরল লৈবা জাদুগোপালগী মনাওনুপা নরুগোপাল, যাত্রা (শুমাং কুম্মৈ) কাঙলুপ অমগী মপু ওইদুনসু মচেৎ তারবা মরৈবাক্কী ঈরাংদা থবক লৈত্রবা মীরেমগুম পুন্সি লেল্লকখি। হৌজিক্না নোংপোক পাকিষ্টান ওইখ্রবা লমদুদগী জাদুগোপালগীদা থবক তৌরম্বা অমগী মমোল্লোই, ফাগুন, মহাক্কী ইমুংদা লৈরম্মী। নোংমদি যাত্রাগী শক্লাইবা কলাকার ওইরক্কনি- ফাগুন'না মঙজবা মঙলাননি। ঈরাং নংলবা মীতোপ মীচেন কয়াগী লমদনফম ওইরিবা জাদুগোপালগী ইমুং, মীত্রং পুবা হিংনবৈ পাম্বৈ ওইরকখি। হিন্দুস্তানগী মপারীরা, পাকিষ্টানগী মমোমলা শকখঙদ্রবা 'সোনাই'গী খাউদা লোৎলম্বা অঙাং, জাদু (মীত্রং) পুবা জাদুগোপালগী ইমুংদা চঙজফম ফংখি। নন্দোরানীগী মতম কুইনা লৈশাৎ তম্লুদ্রবা লৈকোলদু য়েন্নিং হুল্লকখি, মকা লাম্না থম্মোয় শৈশক তল্লকখি।

য়াম্লবা লীলারোই কুমমাথোই'না ফম্বাক্তা থোক্তুনা শান্নখিবা, শাংলবা লীলাদু লোনগী পল অমন ৱাংনা খাদুনসু মীকুপ অমত্তা অয়েংবগী পূক্লিং চোইহনখিদবদুগী ক্রেদিৎতি হৈ-শিংলবা কলাকারশিং অদুদা পীফম থোকই। মীৎ থক্লবা লাইট অমদি হাজিল্লবা ম্যুজিক্কী মতেঙ য়াওদনা শান্নখিবা লীলাদুনা, অখন্নবা মতাং খরদা খোংলকখিবা যন্ত্রগী সুর থম্মোয় লকাদা থেংলকখি। অহল ওইরবা (চহী ৭৮ শুরবা) রাইটর, দিরেক্টর 'মনোজ মিত্র' মশামক, লীলাগী মরুওইবা ক্যারেক্টর অমা পুদুনা ফম্বাক থত্তা থোক্লকপা, কল্লবা 'এক্টিং ইনর্জি' পুম্নমক ফিদম্নিংঙাইনি।

***সুন্দরম***- কুমজা ১৯৫৭ তা শক্লাইরবা এক্টর-দিরেক্টর-প্লেরাইট (লৈখিদ্রবা পার্থ প্রতিম চৌধুরি অমদি মনোজ মিত্র) অনীনা লিংখৎখিবা ঠিএটর গ্রুপ অমনি। মীওইবগী মরক্তা অচেৎপা মরী শাগৎপা, মশানা মশাবু শকখঙজবা হায়বা পান দমসিদা 'সুন্দরম'না বঙ্গালগী অনৌবা টেলেন্ট পুথোকপা অমসুং মতীং ফুদোকহনবদা মাঙজিল থাবা থৌদাং লৌরকখি। মনোজ মিত্রগী ৱাহায়নি... *ঐখোয় খঙখি ঐখোয় পুম্নমক্না মান্নদবা করিগুম্বা খরা তৌবা পামখি। মতমদুদদি বেঙ্গলি ঠিএটরবু থাক অমদা কাখৎলগা লেংঙম শাঙমদনা লৈরম্লে, ঐখোয়না তৌজখিবদি অনৌবা থৱায় হাপ্পখক্তনি...।* ঙসি ফাওবদা মশাগী লীলা ৬৭ পুথোকখ্রবা গ্রুপ অসি ইন্দিয়াগী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা মীয়াম্না পাম্নবা ঠিএটর গ্রুপ অমা ওইবা ঙম্লে।

### কাষ্ট এন্দ ক্রেদিট

*সোনাই :* মনোজ মিত্র; *জাদুগোপাল :* সমর দাস; *নরুগোপাল :* সুব্রতা চৌধুরি; *নন্দরানি :* ময়ুরি ঘোশ; *ফাগুন :* সিওলি কর্মাকর; *ধোরজোতি :* প্রিয়োজিৎ বন্দোপধ্যায়; *কবিরাজ :* উৎপলেন্দু চক্রবতি; *কবিরাজগী নুপী :* অরাপিতা সেন; *অচিন্ত :* মানবেন্দ্র পাল; *মাষ্টর মোসাই :* প্রিতম সেন গুপতা; *ছাটিন পায়বা :* অতনুকুমার বোস; *পুরোহিৎ :* বন্সরি মোহোন জেনা; *চা য়োনবা :* সঞ্জয় মিত্র, অমিদ চক্রবতি; *মীচেন অমদি উশুবশিং:* গৌতম গায়েন, সঞ্জয় মিত্র, রবিপ্রসাদচক্রবতি, স্বপন গাংগুলি; *লীলামীশিং :* দিপ্তেন্দরনাথ মোইত্রা, অমর চট্টোপধ্যায়; *কাজল :* সুর্য চক্রবর্তি।


*বেক ষ্টেজ :* শ্রীকান্ত রোয়, রুপম জেনা, দিগবিজয় বিস্বাস, উজ্বল তলুকদার; *ষ্টেজ, আর্ট দিজাইন :* অমিট সরকার; *লাইট দিজাইন :* সুদিপ সন্যাল; *মেক-অপ :* অজয় ঘোস; *খোঞ্জেল :* দেবাসিস রোয় চৌধুরি, তপন; *সাউন্দ :* দিগবিজয় বিস্বাস, *সেট :* বিলু দট্ট, সুদিপ নন্দি, সুর্য; *প্লে রাইট এন্দ দিরেক্টর :* মনোজ মিত্র।







HL-P/7843/11,12,13,14,15,16,17 Mar.




কনানা থীগনি ?

- ছোর্সতা টেক্স ককখিবদগী/লৌখিবদগী হন্থরগা শেনবা চহীগী টেক্স লাইএবিলিটিগী শেনফম লুপা ১০,০০০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা তোলোপ চাবা ইমপ্লোয়ী য়াওনা এসেসী খুদিংমক।
- বিজনেস/প্রোফেসনদগী ইনকম তান্দবা রেজিদেন্ট সিনিয়র সিটিজন (চহী ৬০ শুরবা নৎত্রগা হেল্লবা মীওই) দি থীরোই।

করম্না থীগনি ?

- ইনকম টেক্স এক্টকী সেক্সন ৪৪ এ বিগী মখাদা একাউন্টশিং ওদিট তৌবা চঙবা কোরপোরেট অমসুং অতৈ এসেসী পুম্নমক ই-পেমেন্ট তঙাইফদে।
- টেক্সপেয়রনা থাগৎখিবা দেটাদা য়ুম্ফম ওইরগা অচুম্বা ক্রেদিট ওইহনবনা অতৈ টেক্সপেয়রশিংগীসু ই-পেমেন্টনা খুদোংচাই।

কদাইদা থীগনি ?

- ওথোরাইজ বেঙ্ক ৩০ গী নেট বেঙ্কিং ফেমিলিটিগী খুথাংদা ই-পেমেন্ট তৌবা য়াই।
- বেঙ্ক ১৩ গী এ টি এম।
- চেগী চলান (আই টি এন এস ২৮০) গী খুথাংদা ওথোরাইজ বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমদা হেক্তা।

ভিজিট তৌবীয়ু www.incometaxindia.gov.in

- ওথোরাইজ বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং খঙনবা।
- চলান ফোর্মশিংগীদমক্তা।
- ই-পেমেন্ট তৌনবা।
- চলান ষ্টেটুস ইনক্কাইরিগীদমক্তা।

চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা ইন্দিয়ন অমা ওইবীয়ু!

থীদোকপীয়ু নহাক্কী এদভান্স টেক্স
মার্চ ১৫, ২০১৬ তা নৎত্রগা মমাঙদা
(কম্পেনিশিংগী ওইনা ৪ শুবা ইন্সটোলমেন্ট অমসুং অতৈ টেক্সপেয়রশিংগীনা ৩ শুবা ইন্সটোলমেন্ট)




ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in

@IncomeTaxIndia

নহাক্কী ইনকম টেক্স রিটর্ন মার্চ ৩১, ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌবীয়ু
(এসেস তৌরিবা চহীশিং ২০১৪-২০১৫ অমসুং ২০১৫-২০১৬ কী ওইনা, হান্না ফাইল তৌখিদবা ওইরবদি)

davp 15401/13/0096/1516